
# ইষ্টর্নগী হোকি অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনজগে খঞ্জরি ঃ হরি

**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং** রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



হান্নগী মখা...

পুলিস ট্রেনিং লোইরগা হল্লকপা মতম শ্বাইসিদা সিভিল সার্ভিসেসকী হোকি টুর্নামেন্টসু হৌরকখি। পুলিসতা লৈজরিঙৈ মতমদুদা ঐহাক লম্ফেলদা দ্যুটিগা তৌরকখি। অদুমকপু পুলিসকী য়ুনিফোর্মগা শেৎতুনা পুলিস অমগী মথৌ চপ চানা তৌবগদুদি কয়া কন্না পাল্লকখিদে। ঐনা পুলিসতা থবক চঙলুবা অদুদি হোকি নুংঙাইনা শান্নজনিংবদগীনি। কোন্নদি ঐনা পান্নীবদুগা খরা খেন্নবসু উরকখি। অদুদগীদি কুমজা ১৯৮১ গী ফেব্রুৱারী থাদগী ঐহাক থবক্তগী পোত্থারকখি।

মতুং তারকপদা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সার্ভিসতা ওইনা থবক অমুক চঙলকখি। সেক্রেটরিয়েট সার্ভিসতা লৈরবা মতুংদা মখা তানা হোকি শান্নবা অমুক হৌজরকখি। হোকি ফজনা শান্নজরকপা প্লেয়র অমা ওইনা, ঐহাক ইশামক নেসনেলদা তরেৎলক শরুক য়াজরকখি।



*নোংমাইথেম হরি*
*(ভেটরান হোকি প্লেয়র)*

শান্নরোয় ওইরিঙৈদা খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা শান্নবগী মতম হায়জরগদি কুমজা ১৯৭৭ তা মদ্রাজদা তাখিবা সেনিয়র নেসনেল অদুনি হায়জগে।

শান্নরোয় ওইরিঙৈদা নুংঙাইখিদবা খরসু অদুম থেংনরকখি। কুমজা ১৯৭৩ দা স্কুল গেমসকী 'নেহরু কপ' শান্নরুবদা মণিপুরদগী ঐখোয় মরি নেসনেল কোচিং কেম্প য়াওরনবা কৌরকখি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা শেল লৈতে হায়দুনা থাবীখিদে। কুমজা ১৯৭৩ দা কোচিং কৌরকপা মতমদুদা চৎলন্নবদি ঐখোয় মণিপুর মচাশিংসু য়াম্না ঙন্না হোকিদা ফজনা মফম কনবা ঙম্লমগনি।

ফন্না টেলেন্ট লৈদুনসু মীওইবগী মতম হায়বা অমদি লৈবনিনা মদুগা চান্ননা খোঙ থাংহৌদ্রগদি কান্নবসু লৈতে। মীওইবা অমগী ইনখৎলকপগী প্রাইম টাইম অসি চহী ১৮/১৯ অসিনি। হায়রিবা মতমসি শান্নরোয়শিংগী ওইনসু মশাগী লাইবক লেপচবা অদুগুম্বা মতমনি। অদুবু মণিপুরী মচাশিংনা ওলেম্পিক্কা ফংলিবসিদি মশাগী চহী ২৮/২৯ দা ঙাক্তনি। অতৈ ষ্টেটকা য়েংনরুবদি খ্বাইদগী থেংলবনি। লাম্ভতা ফংলকখিবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চীদাইদা লৈরুবা ওইবনা নেসনেলগী শরুক য়াবা চৎলকপদসু ঐখোয়দি অৱাবা কয়াসু মায়োক্নরকখি।

ঐখোয়না মদ্রাজ তান্না, মদুরাই তান্না চৎলকখিবা খোঙচৎকদু অৱাবগী মশক্নি। নুমিৎ মঙানি চংনা কৃক কৃক ইন্নবা ত্রেন্দা ফম্বদি লাইরদুনা লেপ্পা লেপ্পা চৎখিবশিংগদু নীংশিংলুবদা তুজুংবা ফাওরকই। চহী তরেৎ চুপ্পা নেসনেলগী শান্নবা চৎলকপদা নোংমতা রিজার্ভেশন্দা চৎপা ফংলক্তে। ৱামন্দুনা মতুংদা অমুক হন্না শান্নবগা চৎচররোই খনখি। অদুবু মতম য়ৌরকপগা হান্নগী ৱাখল অদুম কাউথোকখি। মহৌশা বারুনি কাবদা, নোং নুংশিৎকা থেংনবা, অৱাবা মতাংদা অসুক ৱাবসিবু মতুংদা শুক্কা কাজররোই খনবদু মতম হেক য়ৌরকপগা হেক্তা কানিংলকপদু মদুগা চপ মান্নে।

ঙসিদি শান্নরম্বা মতমদু নীংশিংবা নত্তনা অমুক হন্নসু লাক্লরোই। অদুবু গেম মখলসি নুংশিজরুবনা "হোকি" গীদমক্তদি করিগুম্বা খরা তৌজগে হায়না খঞ্জরি। মতম অমগী ইষ্টর্নগী হোকি হায়নরম্বদু অমুক্তংদি হিঙ্গৎহনসি হায়দুনা হান্না শান্নমীন্নরম্বা ঐখোয় খরা পুনশিন্নদুনা মিটিংনচিংবসু পাঙথোকপা লৈখ্রে। ঐহাকসু চহীসিগী মমাঙ থা জানুৱারী ৩১ দা থবক্তগী পোত্থাজরে। অদুনা পেন্সনসু ফংলবনিনা ইষ্টর্নগী হোকি অসি অমুক্তংদি হিঙ্গৎনবা হোৎনগে হায়না খঞ্জরি। শেল য়াম্না চঙবা মশান্না অমা ওইবনা হৌজিক্তি ক্লব চল্লাইরিবা কাঙবুসু শেল নিংথিনা পায়দ্রবদি য়াদ্রে।

শান্নরোয় অমা শেমগৎপদা শেলগী মথৌসু য়াম্না লৈখ্রে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু হোকি হিঙ্গৎহন্দবা য়াদে হায়বসি খঞ্জরগা ঐখোয় খরা অমদি তপ্পা তপ্পা পুনশিন্নজবা হৌজরে। তরাই তরাইনা থবকসি হেক্তা হৌববুদি য়ারোই। অদু ওইজরগসু অমুক্তংদি হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়বসিদা য়ান্নদুনা মখা তাবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবা হোৎনজরি।

# পাকিষ্টান্না ৱর্ল্ড টি ২০ দা শরুক য়াদ্রবদি পি সি বিনা আই সি সিদা ফাইন থিগনি ঃ শহর্য়ার খান

করাচি, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

করিগুম্বা পাকিষ্টানগী নেসনেল টিম্না মথং থাদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি-২০ দা শরুক য়াদ্রবদি আই সি সিনা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) তা ফাইন তৌগনি হায়না পি সি বিগী চ্যেরমেন শহর্য়ার খাননা ফোঙদোকখ্রে।

পি সি বিগী চ্যেরমেন শহর্য়ার খাননা লাহোরদা মেদিয়াদা হায়খি, পাকিষ্টাননা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াদ্রবদি পি সি বিনা পেনালটিগী শেনফম স্পোর্ট অসিগী মালেমগী গভর্নিং বোদিদা থিগনি। ৱাফম অসি ঙসি ঐনা প্রাইম মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা হায়দুনা খঙহনখ্রে অমদি ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টি ২০ দা টিম থাবা নৎত্রগা থাদবা হায়বদু গভর্ণমেন্টকী মখা পোনবনা গর্ণমেন্টনা অরোইবা ৱারেপ লৌজরগনি হায়না শহর্য়ার খাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মসিদা আই সি সিনা ঐখোয়দা লীগেল এক্সন লৌবা নৎত্রগা প্রাইম মিনিষ্টরদা টুর থাবা নৎত্রগা থাদবা হায়বসিনা হৌজিক্কী ৱারী ওইরে। মালেমগী ওইবা ইভেন্ট অসিদা ঐখোয়গী টিমবু গভর্ণমেন্টনা শোইদনা থাগনি হায়বগী থাজবা লৈ। প্রাইম মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতগী ফোঙদোরকখিবদা মখোয়না লৈরিবা ফীভম অসি রিভিয়ু তৌগনি অমদি ঐখোয়দা অথুবদা খঙহল্লক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।



করিগুম্বা ঐখোয়গী টিমনা ৱর্ল্ড কপ টি-২০ দা শরুক য়াদ্রবদি ঐখোয়না আই সি সিদা পেনালটিগী শেলফম পীগনি হায়না পি সি বিগী চীফনা অপূনবা শেলফমদি ফোঙদোকপা তৌদনা হায়খি।

পি সি বিদগী ফংবা থাজবা য়াবা পাউ অমদা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়া টুরগীদমক অয়াবা পীরবা য়াবগী থাজবা লৈরে হায়রি।

সোর্স অদুনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ দা পাকিষ্টান নেসনেল ক্রিকেট টিমনা শোইদনা শরুক য়ানবা অয়াবা পীরকপা য়ারি।

অমরোমদা শহর্য়ার খাননা হায়খি, পাকিষ্টানগী সুপর লীগ অসি মায় পাক্না হৌদোক্তুনা মীয়াম্না হেন্না পূক্নিং চঙবা লীগ অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি।

লৈবাক অসিগী ক্রিকেট বোর্দনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি, আই সি সিদগী টিম থারক্নবগীদমক করিগুম্বা মখলগী প্রেসর পীরকপা লৈতে অমদি টিম থাবা থাদবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী মখা পোনবনা অরোইবা ৱারেপ মখোয়না লৌরক্কনি হায়খি।

# সিটি মরিনা কুমজা ২০২৪ গী ওলেম্পিক গেমস য়ূম্বু ওইনবা লোঞ্চ তৌখ্রে




পেরিস, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

সিটি মরি পেরিস, রোম, লোস এঞ্জেলস অমদি বুদাপেষ্টনা মখোয়না কুমজা ২০২৪ গী ওলেম্পিক গেমসপু য়ূম্বু ওইনবগী বিদ তৌবগী থৌরম লোঞ্চ তৌখিববু ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না কনফার্ম তৌখ্রে।

লোস এঞ্জেলস, রোম, বুদাপেষ্ট অমদি পেরিসনা ওলেম্পিক এজেন্দা ২০২০ গী মওংগা মান্ননা প্রোজেক্ট অমা পীখৎলকখ্রে হায়না আই ও সিগী প্রসিদেন্ট থোমাস বাচনা ঙরাং মফম অসিদা ফোঙদোকখি।

য়ূম্বু ওইনবশ সিটি খন্ননবগী ভোট থাদনবা অদু লাক্লিবা কুমজা ২০১৭ কী সেপ্টেম্বর ১৩ দা পেরুগী কেপিটেল সিটি লিমাদা পাঙথোক্কনি হায়না ন্যুজ এজেন্সি জিনহুৱানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

মখোয়না ওলেম্পিক প্রোজেক্টপু অশাংবা মতমগী দিভলপমেন্ট প্লানদা মখোয়গী সিটি রিজন অমদি লৈবাক্কীদমক লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংবদা পূক্নিং চিংশিন্নিঙাই ওইরি। মখোয় মখোয়গী লৈজরিবা তৌবা ঙম্বা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা চঙশিল্লক্লিবা অসিনা তুং কোয়না লৈহৌনবা শেম শাবা য়াওরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# রাজু মেমোরিএল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

কোঞ্জেংবম রাজু মেমোরিএল ত্রষ্ট সাইরেম খুল ময়াই লৈকায়না শিন্দুনা মঙাশুবা কোঞ্জেংবম রাজু মেমোরিএল সভেন এ সাইদ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙরাংদগী চথবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা এস পি দব্লিয়ু সি সাইরেম খুল, এ ৱাই বি সি অতোং খুমন, লুকের অমসুং কোরমেট সাইরেম খুল মায় পাকখ্রে।

টিম ১৬ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা ঙরাংদগী চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস পি দব্লিয়ু সি সাইরেম খুলনা হৈক্রুজম গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এ ৱাই বি সি অতোং খুমন্না কিয়াম গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। অহুমশুবা মেচতা লুকেরনা অৱাং খুনৌ গোল ১-০ দা অদুগা মরিশুবা মেচতা কোরবেট সাইরেম খুলনা ফয়েং গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা মেচ অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা সলাম অমসুং কোন্থৌজম শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা পাৎশোই অমসুং ঙাইরাংবম অনীনা শান্নরগনি। অহুমশুবা মেচ নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা এফ সি খাবি অমসুং তাকয়েল য়ুনাইটেদ অনীনা শান্নরগনি। মরিশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা সি সি টোপ অমসুং অৱাং খুনৌ অনীনা শান্নরগনি।







# অরিবম অমুতোম্বী মেমোরিএল কলর দ্রেস ভেটরান ক্রিকেট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা শিন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল অরিবম অমুতোম্বী শর্ম্মা মেমোরিএল কলর দ্রেস ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ থা অসিগী ২২ দগী পাঙথোক্কনি হায়রি।

লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দ অমসুং লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভেটরান ক্রিকেট চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ এদা মোদেল ক্লব টিম বি চীংঙামখা, চেম্প খাগেম্পল্লি, সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ভেটরান ক্রিকেট ক্লবনি। গ্রুপ বিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি মোদেল ক্লব টিম এ, দি এস য়ু, নবসা অমসুং ক্রাও খম্নাম বজারনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেচ থা অসিগী ২২ দা মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখা অমসুং নবসা খা ইম্ফাল অনীনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ মার্চ ৫ দা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# ষ্টেট লেভেল নোর্থ ইষ্ট গেমস মশান্না ৮ দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

রজিব গান্ধি খেল অভিয়ান (আর জি কে) স্কিমগী মখাদা ষ্টেট লেভেল নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০১৫-১৬ থা অসিগী ২০ দগী তোঙান তোঙানবা মশান্না ৮ দা অথোই অহেন তান্নদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল নোর্থ ইষ্ট গেমস অসি থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কন্সলটেন্ট ডা. আর কে নিমাই রিটয়ার্দ আই এ এস, য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর ডা. হার্মিট সিং পহুজা (আই এ এস) অমসুং মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা শরুক য়াগদবা কন্টিনজেন্টশিংনা মার্চ পাষ্ট চৎকনি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা ফিরাল পায়দুনা ৱাশক লৌগনি। তোঙান তোঙানবা মশান্না ৮ এঠলেটিক, বেদমিন্টন, বোক্সিং, ফুটবোল, হোকি, জুদো, টেবল টেনিস অমসুং ৱেঠ লিফটিং মশান্নদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল নোর্থ ইষ্ট গেমস অসিগীদমক শেম শাবসু লোইরে হায়রি।

ষ্টেট লেভেল নোর্থ ইষ্ট গেমস অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল মশান্নদা ওফিসিএল ওইগদবা মেচ কম্মিস্নর অমদি রেফ্রিশিংসু খনখ্রে।

গেমস অসিগী ফুটবোল মশান্নদা কন্দক্ট তৌনবগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না খনখ্রবশিং অদুদি মেচ কম্মিস্নরদা কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র অমসুং কে এস ঐচ সরতচন্দ্রনি।

রেফ্রিদা টি ঐচ সোমোরজিৎ, কে ঐচ রঞ্জিৎ, টি ঐচ কিরঞ্জিৎ, কে ঐচ ইবুংঙো, এল সনাতোম্বা, এল বুবোন, আর কে রঞ্জন, এল প্রেবিচান্দ, টি ঐচ অরুনকুমার, টি ঐচ রঘু, কে মোসেস, ৱাই ইঙোবী, কে অজিৎ কুমার, এস তোম্বী অমসুং এল হরিমোহোননি। খল্লবা রেফ্রিশিংনা মেচ কম্মিস্নর কে এস ঐচ মোধুচন্দ্রদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# কলিম্পোং ভেটরান গোল্ড কপ্তা ফ্লাম বাবুপড়া সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

কলিম্পোংদা চথরিবা কলিম্পোং ভেটরান গোল্ড কপ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরগী মমিং লৈরবা ভেটরান ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ফুটবোল লভর্স এসোসিএশন ওফ মণিপুর (ফ্লাম) বাবুপড়া মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ফ্লাম বাবুপড়ানা কলিম্পোং ভেটরান ফুটবোল ক্লবপু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফ্লাম সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি। ফ্লামনা সেমী ফাইনেলদা থা অসিগী ২০ দা কোলকটা ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল ক্লবকা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ফ্লাম বাবুপড়াগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিং অদুনা মেচকী মতম পূম্বদা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা মীকুপ কাংদনা অকনবা এটেক কয়া চথখি।

লমদমসিগী মশক নাইরবা ফুটবোল কোচশিংনা নম্না য়াওরবা ফ্লামগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিং অদুনা মীকুপ কাংদনা চথখিবা অকনবা এটেক্তা কলিম্পোং ভেটরান ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোয়শিং ককঙাওনখি।

ফ্লামগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় জয় কবুইনা গোল অহুম চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। জয় কবুইগী গোল অহুম অদুনা ফ্লামবু মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। জয় কবুইগী ফজরবা পার্ফোমেন্স অদুনা টিম অসিগী শান্নরোয়শিংদা হেন্না থৌনা হাপখি। ফ্লামগী অতোপ্পা গোল অদুনা রাজেনা চনখি। সেমী ফাইনেল মেচতসু ফ্লামনা কোলকটা ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল ক্লবপু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙগনি হায়বগী চাউনা থাজবা লৈরি।

# জুবেনাইল ক্লব সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

সলাম জুবেনাইল ক্লব, সলাম মমাঙ লৈকায়না শিন্দুনা ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুবেনাইল ক্লব সভেন এ সাইদ মেন'স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ স্কয়ার পাৎশোই অমসুং রিএল মেদ্রিদ সলাম মায় পাকখ্রে।

টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এ স্কয়ার পাৎশোই পার্ট ৱান্না এস সি কে কোদোমপোকপী গোল ৬-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এ স্কয়ার পাৎশোইগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী মতম অয়াম্বদা বোল পায়দুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি। মেচ অদুদা এ স্কায়র পাৎশোইগী কিষন্না গোল অহুম মেচকী ১০, ৩৪ অমসুং ৪১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

টিমদুগী শান্নরোয় সনাথোইনা গোল অনী মেচকী ৪ অমসুং ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি। হেম্বনা গোল অমা মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এস সি কে কোদোমপোকপীগী গোল অনীমক এম গান্ধিনা মেচকী ৩২ অমসুং ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা রিএল মেদ্রিদ সলাম্না এস দি এ কে কাংচুপ গোল ৫-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা রিএল মেদ্রিদ সলামগী গোলশিং অদু প্রেমজিৎনা গোল অমা মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা চনখি। মনিতোন্না গোল অমা মেচকী ১৪ শুবা মিনিটতা, মোচানা গোল অনী মেচকী ৪৬ অমসুং ৪৯ শুবা মিনিটতা অদুগা অরুন্না গোল অমা মেচকী ৩৮ শুবা মিনিটতা চনখি।


মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এস দি এ কে কাংচুপকী গোল মরি অদু সুরজিৎনা গোল অহুম মেচকী ২৫, ৩৫ অমসুং ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি। মোহন্না গোল অমা মেচকী ৩৮ শুবা মিটিতা চনখি।

# থিয়েমনা রিওগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সিমোনা হালেপনা অন্না ইভানোভিক্কী মখূৎতা মায়থীদুনা দুবাই ওপন্দগী লৈহৌরে

রিও দি জিনেরিও/দুবাই, ফেব্রুৱারি ১৮ ঃ

মচিন তুমখৎলক্লিবা ওষ্ট্রিয়নগী ষ্টার দোমিনিক থিয়েমনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা অর্জেন্টিনাগী দেগো স্কোৱাজমেনবু ৭-৫, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনলে চঙখ্রে।

এ টি পিগী টোপ টুয়েন্টিদা য়াওবা ঙল্লবা খ্বাইদগী নহা ওইবা অমদি মশাগী চহী ২২ শুরবা মঙাশুবা সীদেদ থিয়েমনা নোংনা অতৎ অখম লৈতনা চুখিবা মেচ অদুদা মায়োক্নখিবা টিমবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।





রিও দি জিনেরিওদা মেচ শান্নরিঙৈদা নোং চুবগী থৌদোক অসি নুমিৎ হুমনি শুজিল্লক্লে। অদুবু মেচ লেপ্পা তৌদনা মখা চথনা শান্নরি। অহুমশুবা সীদেদ অমদি ফ্রেঞ্চকী জো ৱাইল্ডফ্রাইদ তোঙ্গানা মেচ অসিগী অঙনবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ব্রাজিলিয়ন থিয়াগো মোন্তেরোগী মখূৎতা ৬-৩, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

থিয়েমনা মেচ অদুগী অহানবা সেট অদু লৌখ্রবা মতুং অনীশুবা সেটতা ৩-৩ দা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টকা পোইন্ট মান্ননা লৈখি। মতম অদুদা অকনবা নোং চুরকপদগী মেচ অদু মতম খরা লেপখি। মহাক্না পুং অমা হেল্লপনা মেচ অদু ঙাইখি অমদি নোং হাংখ্রবা মতুং সেট অদু ৭-৫ দা মায় পাকখি।

মহাক্না মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, নোং মরক্তা শান্নখিবা মেচ অসি নুংঙাইবা অমা ওইখিদে। মসিনা প্লেদা থেংথহন্দুনা পূক্নিং হন্থহনখি।

ওষ্ট্রিয়ন অসিনা মমাঙগী চয়োলদা ব্যুর্নোজ এয়রসতা পাঙথোকখিবা মেচকী সেমী ফাইনেলদা ক্লে কোর্টকী নিংথৌনি হায়নরিবা রফাইল নাদলবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবনি।

নুমিৎ অদুদা মহাক্না অতোপ্পা মেচ অমদা স্পেনিয়র্দকী নিকোলাস অলমাগ্রোবু এ টি পি সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী মরিশুবা টাইটল লৌখি।

টোপ সীদেদ নাদলনা কম্পেট্রোইট অলমাগ্রোগা সেকেন্দ রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি অদুগা নম্বর টু ফেররনা রামোস বিনোলাসকা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনরগনি।

ওপন অসিগী নুপীগী ইভেন্টতা মঙাশুবা সীদ স্লোভেনিয়াগী কোলোনা হেরকোগপু রোমানিয়াগী সোরানা ক্রিষ্টিয়াগী মখূৎতা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা ৭-৫, ৭-৬ (৩) দা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা, রোমানিয়াগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সিমোনা হালেপ অমদি স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা দুবাই টেনিস চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

টোপ সীদ হালেপনা হান্নগী নম্বর ৱান সর্বিয়াগী অন্না ইভানোভিক্কী মখূৎতা ৭-৬ (২), ৬-২ দা মায়থীহৌখি অদুগা সেকেন্দ সীদেদ মুগুরুজানা য়ুক্রেনগী ইলিনা সবিটোলিনাগী মখূৎতা ৭-৬ (৩), ৬-৩ দা মায়থীহৌখি।